এঙলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ শোক্লখিবা ককচিংগী মচিন-মনাও চীংগী লানফমদা লৈখিদ্রবা ৱাঙ্খৈ মৈরাবা পোইলা অমসুং শক খঙহৌদ্রবা লান্মীশিংগী নীংশিং খুভমদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎনখিবা

জিরিবামগী চীংদোং লৈকায়দা লৈবা দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিসতা ১৮-শুবা লোক সভা জেনরেল ইলেক্সনগা মরী লৈননা অখন্ননা দিজাইন তৌবা টি-সর্ট দি ঈ ও কৃষ্ণকুমারনা ওফিসিএল্লি রিলিজ তৌখিবা

সাহিত্য থৌপাংলূপ (শাথৌলূপ)না মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড বুক দে থৌরমদা লূপ অসিনা পীবা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ২০২৪ ফুরাইলাৎপম নন্দকুমারদা খূৎশিন্নখিবা

সাহিত্য সেবা সমিটি ককচিং মণিপুরনা শীন্দুনা ককচিং সুমাক লৈকায়দা লৈবা কে এস ঐচ জয়কুমারগী য়ুমদা পাঙথোকপা খোংজোম নুমিৎ থৌরমদা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনীনা মপুং ওইবা ৱারোল থমখিবা

ক্লাস টেনগী ফ্রী কোচিং

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সূক)কী ঐচ আর দি সেক্রেটরি ঙ্তানগর নামৈরাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ক্লাস টেনগী ফাউন্দেসন কোর্সকী ওইবা ফ্রী কোচিংগী ফোর্ম লাক্লিবা এপ্রিল ২৫দগী ৩০ ফাওবা ৱাঙ্খৈদা লৈবা সূককী হেদ ওফিসতা থাবা হৌরগনি। অদুগা মে ৬, নিংথৌকাবা নুমিত্তগী সূককী হেদ ওফিসতা মপুং ফানা হৌরগনি হায়রি।

হৌজিক থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা মহৈ তম্বদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা মহৈরোয়শিং অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদনা হেন্না ফ্রী কোচিংসিদা খুদোংচাবা পীগনি। মসিদা নত্তনা অপোকপা মমা নৎত্রগা মপা লৈখিদ্রবা মমা-মপা অনীমক লৈখিদ্রবা মহৈরোয়শিংদসু কোচিংসি য়াওবদা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি হায়রি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯳ (ꯍꯤꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

‘মোরেদা মথৌ তৌরিবা ষ্টেট ফোর্সশিংগী মোরাল হন্থহনবীগনু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা মৈতৈ কম্যুনিটিগী মথক্তা চিন কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শিংনদুনা চথরক্লিবা লান হৌরকপদগী হৌনা ষ্টেটসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্তুনা মণিপুরগী ঙমখৈ বোর্দর টাউন মোরেদা মথৌ তৌরিবা ষ্টেট ফোর্সশিংদা মতম শাংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবনা মখোয়গী পূক্নিং-ৱাখল (মোরাল) শোন্থরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈরে হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স নেরিশ মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চিন কুকি ফ্রুপকী মোরেদা বেজ তৌবা ওর্গনাইজেসনশিংনা দুকান ফন্নিবশিংদা অকনবা ৱাফম থমদুনা ষ্টেট ফোর্সশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমদা নত্তনা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং য়োন্দনবা ৱার্নিং তৌখিবদগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম কয়া ফংদবা, অনা-অয়েক য়াওরকপদা হিদাক-লাংথক ফংদবগী মথক্তা লায়েংনবা মতিক চাবা ডাক্তরশিং লৈতবগী খুদোংচাদবা, মতমগা চুনবা বুল্লেট প্রুফ ভেহিকলশিং মতিক চানা লৈতবনা আর ও পি চৎপদা সোফিষ্টিকেটেদ ৱিপনশিং শীজিন্নদুনা কাপ্লকপদা অশোক-অপন কয়া য়াওরকপদা নত্তনা অশি-অনা য়াওরকপা অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

ফীভম অসিদা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিংনা মখোয়গী অৱাবা ৱাকৎ কয়া তাবীদবসিনা বোর্দর টাউন মোরে ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ষ্টেট ফোর্সশিংগী মোরেল হন্থরক্লবা অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লে। অসিদসু নত্তনা ষ্টেট ফোর্সশিংদা ঈশিং সপ্লাই তৌরম্বা টেঙ্কর অমা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা অকায়-অতোয় থোকহল্লম্বগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। লোয়ননা অখন্নবা এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌবীদুনা মোরেদা মথৌ তৌরিবা ষ্টেট ফোর্সশিংসি থা ৩ নৎত্রগা থা খরগী ওইনা রোটেসন বেসিসতা মথৌ তৌনবা হোৎনবনা ষ্টেট ফোর্সশিংগী মোরেল হেনগৎহন্দুনা লো এন্দ ওর্দর মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা চহীদা মতম চানা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংদবা অমদি মথৌ তাবা হিদাক লাংথক ফংদবদগী দেঙ্গি নাদুনা আই আর বি পর্সনেল অমা লৈখিদ্রবনি। পুলিস অমা য়াওনা পর্সনেল কয়া চিন কুকি টেররিষ্টশিংগী খুত্ত লৈখিদ্রে। লাইবক থীবদি হন্দক্তা ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টনা কেস্পর ত্রক ১০ টাটা কম্পেনিদগী লৈবগী মনুংদা অয়াম্বনা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রবসু গাড়ীশিং অসি রেদ জোন ওইরিবা মোরেনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শীজিন্নবগী মহুত্তা ইম্ফাল ময়োলদা খিন্দুনা লৈরিবসি অথুবা মতমদা মোরে অমদি রেদ জোন এরিয়াশিংদা থাজিনবীয়ু হায়না ফোক্সকী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কন্নবা হোৎনমিন্নসি : কে এস এ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা এপ্রিল ১৫দা এম য়ুগী কেম্পস মনুংদা চঙশিনখিবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং অদু কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)নসু মপুং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা তাল্লিবা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং ফংনবা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তসু কে এস এনা মপুং ফানা শৌগৎকনি। লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসি কন্নবগীদমক লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি। মসিদা য়ুনিভর্সিটি কনবা পামজবা, অচুম্বা পাম্বা মহৈরোয় লূপ খূদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়না কে এস এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাঙ্গোলজম রাজেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, কে এস এনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী ওজা খরনা চথখিবা অমোৎপা থবক থৌরম অমগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট উন্দুনা লৈরিবা ইস্যু অসি করিনো খঙদোক্লবা হোৎনরুবদা য়ূম্ফম য়াওদবা এল্লিগেসন কয়া লূপসিগী মথক্তা থাঙ্গৎলক্তুনা ভি সীদা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখিবগী থৌওং কে এস এনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

অসিগুম্বা ওজা অমগী প্রোফেসনল ইথিক্সকী ৱাংমদা চথরকখিবা থৌওং অসিমক য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটি অমদি মহৈরোয়/লৈবাক খুন্নাইনা করিগুম্বা মওং অমত্তদা য়াফম থোক্তে। ওজা অমদি মহৈরোয় অনীগী মরক্তা চেল্লিবা ফজরবা ঈচেল অসিদা অমুবা কালি তৈশিন্দুনা মরিং-মরাংহল্লকপা থৌওংসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। অসিগুম্বা ওজা অমগী প্রোফেসনল ইথিক্সকী ৱাংমদা খলহৈদবা ৱাখল খল্লকপা অমদি চথরক্লিবা মহাক্কী থৌওংসিনা মহাক্কী রেস্পেন্সিবিলিটি অমদি কম্পিটেন্সিদা অচৌবা ৱাহং অমা লাকহল্লে। মশাগী ওইজবা খরগীদমক থাক ৱাংলবা ওজাগী শিনফমবু লৈখা তানা চিংথরিবা ওজা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অসি ওজা অমা ওইবদা মতিক চাদ্রে হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়রি।

লৌমীশিংগী অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলু

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী থোরকখিবা ঈরাংনা বিষ্ণুপুর, ককচিং, থৌবাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টকী চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা লৌফম হেক্তর ১০ হেনবদা লৌ পানখিদে। ঈরাং য়ৌখিদবা তম্পাক্কী লৌফম হেক্তর ২০০০ হেনবসু লৌ পানবা হৌরুরগা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম চানা হার ফংহনখিদবনা লৌমীশিংদা চাউনা নুংনাংবা পোকহনখি হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, লৌমী লূপ কয়াগী ৱাকৎতগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌমীশিংগী য়েংদুনা ২০১৯গী ওগষ্ট থাদা লুপা ক্রোর ৮৩ রোমগী শেনফম কাইথরক্লবসু ঙসি ফাওবা লৌমীশিংদা ফংহন্নবা হোৎনদবগীদমকসু লৌমী লূপনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

থোক্লিবা ঈরাংসিনা লৌ পানবা য়াখিদ্রবা লৌফম হেক্তর ৫,৭০০ হেনবগী কম্পেন্সেসন ওইনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর ২৩০ রোমগী শেনফমদগী লৌমী ১,৩০০ রোমদা অহানবা ফেজগী শেনফম য়েন্থোকখ্রগা লেমহৌরিবশিংগীনা ফংহন্দনা থল্লি হায়রি।

ফুরাইলাৎপম নন্দকুমারদা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ৱর্ল্ড বুক দে ২০২৪গা মরী লৈননা সাহিত্য থৌপাংলূপ (শাথৌলূপ)না শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চহী অসিগী ওইনা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ ২০২৪ ফুরাইলাৎপম নন্দকুমারদা খূৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট লোংজম জয়চন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা থৌরম মপু ওইখি।

সাহিত্য থৌপাংলূপকী এদভাইজর শরতচান্দ থিয়ামনা হায়খিবদা, মালেমগী ওইনা ঙসি এপ্রিল ২৩ অসি ৱর্ল্ড বুক দে হায়না য়ুনেস্কোনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মফম কয়াদা থৌরম পাঙথোক্লরি। মসিগী মতুংইন্না সাহিত্য থৌপাংলূপ ইম্ফালনসু থৌরমসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিনা মীওইবা খুন্নাইগা লাইরিক হায়বসিগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা লৈ হায়বদু উৎনবা হোৎনবনি। মসিগী মরমদা লমদমসিদা লৈরিবা লাইরিক্তা শাগোন্নদুনা হিংজরিবশিংগী মরক্তা করম্বা ঈকায় খুম্নবা য়াবা থৌদাং লৌবা মীওই লৈরিবগে হায়বদু শাথৌলূপনা কুপ্না নৈনদুনা চহী খূদিংগী থিগৎলগা মতিক চাবা মীওই খনগত্তুনা মনাসি পীবনি।

কুমসি চহীগী ওইনা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ অসি জপান অমসুং মণিপুর অনীগী মরক্তা অচৌবা মরী অমা শাগৎনবা হোৎনদুনা মসিদা মতেং ওইগদবা লাইরিক কয়া ইদুনা ফোঙখ্রবা ফুরাইলাৎপম নন্দকুমারবু শাথৌলূপনা খনগৎখিবনি। হায়রিবা এৱার্দ অসি চহী খূদিংগী লমদমসিগী অইবশিংনা হোৎনবা অমদি মখোয়না ফোঙলকপা লাইরিকশিংদগী খনগৎলগা পীগনি হায়খি।

‘ইশাগী ভোটিং রাইট মাঙহনবীগনু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা এপ্রিল ২৬তা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮-শুবা লোক সভাগী জেনরেল ইলেক্সন অসিদা ভোটরশিংনা মনাক নকপা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থোক্কত্তুনা মশা-মশাগী কন্সটিট্যুসনল রাইট শীজিন্নদুনা লৈবাকসি চাওখৎপা লমদম অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা শরুক য়াবীয়ু হায়না ঙসি জিরিবামগী চীংদোং লৈকায়দা লৈবা দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিসতা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দিঈও) কৃষ্ণকুমার আই এ এসনা পাউমীশিংগা উনবদা অমা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, মীখলসি অয়ুক পুং ৭তগী হৌরগা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীবা শক্তাক চে আধার, পাস্পোর্ট, পান কার্দ, বেঙ্ক কার্দ, পেন্সন দোক্যুমেন্ট, ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল দিপার্টমেন্টনা পীবা আই কার্দ নৎত্রগা এম পি অমদি এম এল এশিংনা পীবা আই কার্দ শীজিন্নরগা ভোট থাদবা য়াগনি হায়খি। লোয়ননা হন্দক্কী মীখলসিগা মরী লৈননা দিজাইন তৌরবা টি-সর্ট অমসু ঙসি ওফিসল ওইনা লোঞ্চ তৌখি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯳ (ꯍꯤꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

লাইমতোন চীংগী লানফমদা লৈখিদ্রবশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : জষ্টিস কম্মিটি ওন এঙলো মণিপুর ৱার ১৮৯১গী মীদিয়া কোওর্দিনেটর জোন্সননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙরাং এপ্রিল ২২গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক এঙলো মণিপুর ৱার ১৮৯১দা থৱায় কৎখ্রবা বৃটিশ লান্মীশিংগা থৌনা লৈনা লাষ্হেংনখিবা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী মফমদা কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী ১৩৩ রকশুবা চহীগী কোমেমোরেসন থৌরম কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইপসাগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কংলৈপাক (মণিপুর)গী পুৱারীগী মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইরিবা নুমিৎ অসিগী নীংশিং থৌরমসি হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা লৈবাক্কী তংদু লৈতাদবা ফীভমসিনা মরম ওইদুনা ইচম চম্না অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখি। লেফটনেন্ট কর্নেল আর ঐচ এফ রেন্নিকনা লুচিংবা বৃটিশকী সিলচর কলমগী অফবা খূৎলায় পায়বা লান্মীশিং থেংননবা থাঙ্গাল জেনরেল, কালাম্না, সনাঙম্বা, লোইতাম মুক্তা, য়েংখোইবা মেজর, লাইশ্রম মেজোর, চিংলেন্সা, লোংজাম্বা পোইলা, মেজোর তাম্না লোয়ননা শকখঙদ্রবা লান্মী লীশিং ১ রোম্না লাইমতোল চীংগী ঙারিয়ান, জৌজাংতেক, খুজামলোক, খুৱাইখৌ, লৈমতাকনচিংবা লানফমশিংদা নীংহন্নবা লৈতনা লাষ্হেংনখি।

লৈবাক্কীদমক থৌনা লৈনা শোক্লখিবা লানফমদুদা সনা কোনুংগী লান্মী ১০গী মথক্তা অরোইবা য়াহিপ তানখি। অথৌবশিংদুগী চারোন-শুরোন ওইরিবা ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না ইরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক পূন্সি কত্থোকখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী থৱায় মিরেলগী মফমদা ঙমজবা হৈ-লৈ কৎচদুনা অথৌবশিংগী মরমদা শীংথাবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি হায়রি।

ইন্টরনেসনল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা ঙরাংদগী চথরকপা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স কোলাবোরেটিভ এক্সিলেন্স ইন মল্টি দিসিপ্লিনরি রিছার্স হায়বা ইন্টরনেসনল সেমিনার ঙসি নীনি চনবা নুমিৎকী ওইনা মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী কনফরেন্স অদুদা সেসন অহুম থোক্না চথখি। সেসনশিং অদুদা এক্সপার্ট টোকরশিং, রিছার্স স্কোলার কয়ানা পেপর পুথোক্তুনা দেলিগেটশিংগা খন্ন-নৈনখি। ঙরাংদগী হৌখিবা কনফরেন্স অদুদা দেলিগেট ৩৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। ঙসি নীনি চনবা নুমিৎকী ওইনা পুন্না দেলিগেট ১৫০ রোম্না শরুক য়াখি।

ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অসিগী এইম এন্দ ওবজেক্টিভতি মালেমসিদা লৈরিবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অয়াম্বদা ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটি অসিগী ব্রাঞ্চশিংগা অফবা মরী শাগৎপনি। অতোপ্পা কন্ত্রিশিং ওষ্ট্রেলিয়া, শ্রি লঙ্কানচিংবা লৈবাকশিংদা লৈবা স্কোলার কয়ানসু হন্দক পাঙথোক্লিবা কনফরেন্স অসি ওনলাইনগী খূথাংদা শরুক য়ারি। মসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী রিছার্স স্কোলারশিংগা লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা রিছার্স স্কোলারশিংগা পূক্নিং-ৱাখল ফাওদোক্নদুনা অনৌবা লৌশিং তানশিন্নবগী মচাক পীরগনি হায়না মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর পি কুমারনা ফোঙদোকখি।

লানগী ৱানরিঙৈদা মণিপুরদগী লুপা ক্রোর ১০০গী মথক্তা খোমগৎলগা...

ঙরাংগী মখা... ঈ দি (এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট)না ২০২৩গী জন্যুৱারী ১৮ অমদি মার্চ ২৯দা থোকখিবা চেরোল অমদা ক্যু নেট হায়বা অসিগা মরী লৈনবা বেঙ্ক ৩৬কী একাউন্টশিং অমদি ক্রোর ৯০ দগী হেনবা শেনফম কয়া ফাগৎখিবগা লোয়ননা ক্যু নেটপু মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন তৌরি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। পোঞ্জি স্কিমগী মিংদা শেল কয়া লান্না লৌথোকখ্রে হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি। অসিগুম্বা কয়াশিং অসিনা মরম ওইরগা মখোয় ক্যু নেটকী হায় প্রাইজ প্রদক্ট চাদা ৪০০ হেন্না প্রোফিট ফংলগা মীয়ামদা নমথাক তৌরগা য়োল্লিবা প্রদক্টশিং অসি ২০২৩গী জন্যুৱারী থাদগী প্রদক্ট দেলিভরি লেপখিবগা লোয়ননা ফেব্রুৱারী ৭, ২০২৪দা সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট পোষ্ট ওফিসনা থোকপা ওফিসল নোটিশ অমদা ব্লু দার্ট অমদি ইন্দিয়া পোষ্টনা ক্যু নেটকা মরী লৈনবা দেলিভরিশিং ক্রিমিনেল কেস কয়া চেন্নরে অমদি সুপ্রীম কোর্টতা কেস কয়া চেন্নরে হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী প্রদক্ট দেলিভরি লোইনমক লেপখ্রে।

অসিগুম্বা কম্পেনি পোলিসী ঙাক্তবা দাইরেক্ট সেল্লিং গাইদলাইন্স ঙাক্তবা স্কাম অসিগী মণিপুরগী মকোক ওইরিবা মীওইশিং অদুদি (১) উমেন্দ্র য়েংখোম, অপোকপা য়েংখোম লোকেন, ককচিং পাজি লৈকায়, (২) মনিকুমার হৈস্নাম অপোকপা হৈস্নাম কুমার তৌপোকপী খা ময়াই লৈকায় বিষ্ণুপুর (৩) এম কে কৌরুংথাং অপোকপা এম কে অঙ্খা খুদৈ খুল্লেন ভিলেজ পল্লেল, (৪) খুন্দোংবম প্রেমকুমার অপোকপা খুন্দোংবম নোংথোন য়াইরিপোক কেক্রু ময়াই লৈকায়, (৫) নাওরেম বারুন অপোকপা নাওরেম মিথাই ককচিং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়, (৬) মোইরাংথেম বোইবোই এলিয়জ অরিয়াভট্ট অপোকপা মোইরাংথেম রোমিও এলিয়জ ইনাওবী ককচিং ৱাইরি লৈশাংথেম পরেং, (৭) নাওরেম নিঙোল মোইরাংথেম ওংবী সোমোরসনি অপোকপা নাওরেম রাজেন অপোকপী নাওরেম মেমচা ককচিং নিংথৌ লৈকায়, (৮) মোইরাংথেম নিঙোল ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী ইন্দিরা মপুরোইবা ক্ষেত্রিময়ুম রনকুমার অপোকপা মোইরাংথেম মনাও ককচিং ৱাইরি লৈশাংথেম পরেং হায়রিবশিং অসিনি। হায়রিবা মকোক ওইরিবা মীওইশিং অসি ভিক্তিম ওইরিবা কয়া অসিনা মখোয়গী শেল হনবীয়ু অমদি অচুম-অরান খঙদোক্লসি, ওপন দিবেট তৌসি হায়না ক্যারক হায়জখ্রে। মদুদসু নত্তনা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম শীজিন্নদুনা ক্যারক হায়জখ্রে। অদুবু কোল তৌবফাও পায়খৎপীরকখিদে, পাউ অমা ফোঙবগী রুম ফাওবা পীবীখিদে।

মণিপুরগী লৈরিবা পুলিস দিপার্টমেন্ট কয়াদা কমপ্লেন্ট কয়া তৌখিবা লৈখ্রে। এফ আই আর কয়া লোঞ্চ তৌখিবসু লৈখ্রে। মখোয়বু হঞ্জিন-হঞ্জিন কন্টেক্ট তৌবা অমদি ৱারী শানবা হোৎনরুবদা মরু ওইবা অপলাইন ওইরিবা উমেন্দ্র য়েংখোম হায়রিবা অসিদি ময়ূমগী মমা-মপা, মচিন-মনাও য়াওনা দেল্লিগী মফম অমদা লোৎলগা লৈখিবনা মরম ওইরগা পাউ ফাওনবা ফংখিদ্রে। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগী সী আই দি দিপার্টমেন্টনা থিগৎপদা মথক্তা পনখ্রিবা খুন্দোংবম প্রেমকুমার হায়রিবা নুপা অসি হঞ্জিন-হঞ্জিন সমন থাবদা লাকউয়াদনা লোৎলগা লৈখিবনি। অদুবু লাইবক থীবনা মণিপুরদদি ফাইনান্সিএল ফ্রাউদকী মোনিটরিং সেল লৈতবনা সী আই দি দিপার্টমেন্টনসু মখা চত্থবা ঙমদনা তোকখিবনি।

মখোয়গী ষ্টেটমেন্ট মতুংইন্না ক্যু নেট হায়রিবসি অরানবা থবক তৌবা কাঙলুপ অমা ওইরে, কমপ্লেনেন্ট ওইরিবশিংনা চুম্মে হায়না ফোঙদোকপা ৱাফম লৈখ্রে। মখোয় অসিনা মান্নরগা পীকখ্রবা মণিপুর অসিদগী পুন্না লুপা ক্রোর ১০০ গী মথক্তা খোমগৎখ্রগা ঙসি-ঙসিনা দেল্লিগী নোইদা হায়রিবা মফম অসিদা লোৎলগা লৈখ্রে। ৱারী শানসি হায়না হায়জরুবদসু রিপ্লাই অমত্তা লাক্তবনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা চপ চাবা সোল্যুসন অমা ফংদনা লাক্লি। মসিদা ভিক্তিম ওইহৌরবা শেল মাঙখ্রবা, ময়ূম-মকৈ মাঙহনবীখ্রবা, লৈফম খঙহনবীদ্রবা কয়াগী খোল্লাও কয়া ঙসিদি মায়কৈ কয়াদগী লাউরক্লি অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমদি অচুম্বা পামজবা ইচিল-ইনাও কয়াগী পূক্নিং চিংশিঞ্জবগা লোয়ননা অসিগুম্বা ফৎত্রবা থবক তৌরিবশিংসিবু মরু ফংনা মুখৎনবা এসোসিএসন অমদি ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌখৎলিবা থবকশিংদা মতেং পাংবীয়ু অমদি মাঙখ্রবা, লুট তৌখ্রবা স্কামশিং অসি হঞ্জিনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]



মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি।
হেন্না ফগাৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8686/17 April to 16 May

[illegible]

UNDER THE SCHEME CFPGS MINISTRY OF CULTURE GOVT. OF INDIA গী শেন্থং মখাদা চথরকপা থাঙ-তা শরিৎ-সারাক TRAINING CUM PRODUCTION PROGRAMME লোইশিনখ্রে

Maipak Memorial Kala Sangam গী তাং ০১/০৩/২০২৪ ইরাই নুমিৎতগী থা অমা চুপ্পা চথরকপা থাঙ-তা শরিৎ-সারাক Training Cum Production Programme - (1) Chief Guest- P. Bilash Singh, Director Jawaharlal Nehru Manipur Dance Academy, (2) President - N. Kirankumar Singh, President Manipur Litarary Society Imphal, (3) Guest of Honour - L. Jeevan Singh, Councillor Muhicipal Council Andro Ward No.-12 হায়রিবা মীওই অহুম অসিনা তাং ০১/০৪/২০২৪ নিংথৌকাবা নুমিৎতা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লোইশিনখ্রে।

Sd/- **L. Ibetombi Devi**
Secy. Uchol Makha Leikai

HL-P/10544/24



Moulding Career & Igniting Young Minds

APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Akham Leikai, Airport Road-01
8258013846

Registration Open for
MEGA MOCK TEST SERIES

Sunday open

[Eng., Phy, Chem, Bio, Maths, Hist, Geog. Eco. Com. & Pol. Sc.]

CUET (UG)
Common University Entrance Test (2024)

TEST Starts : From 1st May to 13th May, 2024

Special Features:
Base on Latest NTA Test pattern (OMR sheet)

MR. NITISH NAOREM
AIR - 116 (99.96 percentile)
Hansraj College, DU
CUET-2023

For Forms pliz visit Appollo Ofice, Kwakeithel, Near AMUCO Office (8 am. to 3 p.m.)

HL-B/8672/15 April to 5 May

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

[illegible]

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for
→ Course Fee: 4000 per subject
→ Installment basis accepted

CLASS -XII Sc. (COHSEM) 2nd Batch
Class commencing on 25th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)

18TH POSITION
Yumnam Hemlan
MECI Explorer Academy

20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
COMET School

86%
Ranjan Chungkham
MECI Explorer Academy

86%
Bonita Laishram
COMET School

Form available at :
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)

7629028328
9863160060

HL-B/8646/18